## লময়ানবা ইরাবতকী চীংঙা মীফম ...

*লমায় ১গী মখা...* নিংথৌ অমসুং বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্লা চথরকপা মীওৎ মীনৈ অদুদগী মীয়াম নাম্থোক্লুবা অমদি মীয়ামগী তুংগী লম্বী শেম্নবা হোৎনবদা কুমজা ১৯৩৮গী দিসেম্বর ২৯ অমসুং ৩০দা ফমখিবা চীংঙা মীফমগী অচৌবা থৌদাং লৈরি। নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা হায়রম্বদগী নিখিল মণিপুরী মহাসভা ওন্থোকখিবা লূপ অসিনা ইরাবতকী লিচিং মখাদা চীংঙা মীফম পাঙথোক্তুনা লৌখিবা ৱারেপশিং হায়বদি মীয়াম্না খঞ্জবা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকচবা, খুঙ্গং পূন্নমক্তা মহৈশঙ অমদি লায়েংশঙ থম্নবা ৱারেপ লৌখিবা লোয়ননা মীয়ামদগী কা হেনবা মরম চাদবা টেক্স কয়া খোমগৎতুনা মীওৎ মীনৈ চথুবগী মায়োক্তগা হৌরকখিবনি। ঙসি ২১শুবা চহী চাদা মীয়াম্না হিংলিবা পূন্সি মহিং অসি মতম অদুদগী শেমগৎলকখিবা দেমোক্রেটিক, সেক্যুলর, পোলিটিকেলগী য়াওল অদুদগী হোৎনরক্লবনি। ঙসিগী মীরোলনসু চীংঙা মীফমগী মরু ওইবা অমদি মদুদা লৌখিবা ৱারেপ্পা ঐখোয়দা পীরিবা মহয়শিং মখা তানা পুথবা অমদি নৈনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসিগী খোঙজং অসি নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্না দোমোক্রেসি অমসুং ফেদরেলিজমদা শীংনরকপগী মায়োক্তা লৈবাক শিনবা থুংনা লেফ্ট পার্টিশিংনা চঙশিনবা খোঙজংগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা লৈঙাক অসিনা তৌখ্রিবা থৌওং অমদি দোমোক্রেসিগী য়ূম্ফম থোল্লিবা সেক্যুলরিজম, মান্নবা খুন্নাই অমদি কন্সটিট্যুশনননচিংবদা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্ন া ফাগি তাহল্লকপা অমদি কন্সটিট্যুশনগী মায়োক্তা দিক্টেটোরিএল ওইবা থবক কয়া পায়খৎলকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসিগী খোঙজং অসি চঙশিনবনি হায়খি।

## মণিপুরগী ৱাথোক মাইগ্রেন্ট ...

*লমায় ১গী মখা...* একাদেমিসিয়নশিংনা শরুক য়াখি। অদুগা নেশনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন (এন আর সী) : প্রোসপেক্টস এন্দ চেলেঞ্জ ইন দি নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট হায়বা পান্দমদা লেকচর প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবনি।

ত্রষ্টকী মেনেজিং ত্রষ্টিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না এন আর সী অসি য়াম্না চেকশিন্না লৌহৌগদবনি। মণিপুরদা হৌজিক দেমোগ্রাফিক ইম্বেলেন্স থোক্তুনা মীতোপ মীয়ানচা মশীং খঙদনা হেনগৎলকপদগী ত্রিপুরাদগী ত্রিপুরি মাঙখিবা অদুগুম্না মণিপুরদগীসু য়েলহৌমী ফূরুপশিং মাঙখিদনবা এন আর সী অসি য়াম্না চেকশিন্না চৎনহনবা মথৌ তারে। মণিপুরদা এন সী আর সী চৎনরকপা মতমদা কদাইদা এমেন্দ তৌগনি, অহোবশিং করম্না মেনশিনগনি হায়বদু একাদেমিসিয়ন, সী এস ও অমদি লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা মুন্না খঙমিন্নরবা মতুংদা থবক তৌমিন্নগদবনি নৎত্রবদি অসামদা এন আর সী চৎনরবসু অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা মপূং ফানা চৎনবা ঙমদনা লৈরিবা অসিগুম্না মণিপুরদসু থোক্কনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদা দি এম য়ুগী হান্নগী ভি সী অমদি ত্রষ্ট অসিগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এন রাজমুহোন, অসামগী হান্নগী এদভোকেট জেনরেল প্রোফেসর রোমেসচন্দ্র বোরপত্র গোহেন, রিমসকী বাইও ষ্টেটিষ্টিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইরম্বা আর কে নরেন্দ্র অমদি এম য়ুগী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইরম্বা কে ইবোনা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

লেকচর প্রোগ্রামদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রোফেসর গোহেননা ফোঙদোকখিবদা অসামদা এন আর সী চৎনহন্নবা হোৎনবদা চঙশিনখিবা খোঙজং অমদি মদুদা থেংনখিবা অৱাবশিং পল্লদুনা অসামদা থোকখিবা অদুগুম্না মণিপুরদসু থোক্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈরবনি। মরম অসিনা নহাশিংদসু লো অমদি ফন্দামেনেটল রাইটস অমসুং দ্যুটিশিং নীংথিজনা খঙহন্দুনা ইন্দিজিনস পিপলশিং কনবদা লোনা য়াবা মওংদা থবক তৌনবা খোঙজংশিং চঙশিনবা মথৌ তারে হায়খি। থৌরমগী মনুং চন্না ওজা সনাজাওবা দোক্যুমেন্টেসন্স-২ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমসু ফোঙদুনা মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

### GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery Only
**Booking upto: 18/10/2024**
Office contact no.9362654114
Time:8.30 am to 12.30 pm
Available 10 kg 19 kg

### HL Poll

Q : Kuki Militantsinggi mathakta Central forcena ukkai takthaduna khutsu khulaising leptana phagatpa ngamgani haiba thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Central forcesingna mabukchel sengna mashagi mathou pangthoklabadi Kuki Terroristsingna landarakpa ngamloi haibada langadra?

Yes 60% No 40%

### অস! লোইরেহে!

- অদুসু ঐনা শারম্বনি, অদুসু ঐনা শেমগৎলম্বনি, অদুসু ঐনা...



- সার, লোইশিনবীরো, মী লোইনা চৎনখ্রে।

## ঐগী লূপ, ঐগী পার্টি হায়দুনা ...

*লমায় ১গী মখা...*ওইরিবা ফীভমসিদা লৈবাক অমদি ফুরুপ কনগনি হায়না চোঙথোরল্লিবা নহাশিংনা মহাক্কী ইন্টিগ্রিটি অমদি কম্মিটমেন্ট অসি মতৌ তম্না ঙল্লবদি লৈবাক্কী য়াইফবা ওইগনি অমসুং অশেংবা মণিপুর মচা কয়া অমা থোক্লকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

লৈখিদ্রবা এন কে সনাজাওবগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎপনা মপূং ওইবা থৌরম ওইখিবা ঙসিগী থৌরম অসিদা আর কে মেঘেননা মখা তানা হায়, ঐগী অমসুং ইশাগী হায়বা ৱাখল অসি য়ারক্তবা মতম অদুদা চুংশিন্নবা ঙমদবশিং মশা মথন্তা মাঙখিগনি। পূনশিন্নরগা থবক তৌবা ঙস্নশিংনা লৈবাক্কী লাংওন-লংদাই মতম অসি ঙম্না তাইদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শোয়দনা হৌরক্কনি হায়না থাজৈ। অদুগা থৌরমগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা এন কে সনাজাওবা অসি মতম অমগী লময়ানবা চেফোঙগী ফাউন্দর এদিটর ওইরম্বা মীওইনি। মহাক ঐখোয়না ঙসি ফাওবদা রেভল্যুস্নরি, জর্নেলিষ্ট, লমজিংবা অমদি সোসল-কলচরেল ৱার্কর অমা ওইনা নীংশিংদুনা লৈরি। হীরম কয়াদা মহাক্না লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা থবকশিং তৌরম্মী। মহাক্কী মতিক-ময়াইশিংদা তুংগী মীরোলনা তমজনীংঙাই ওইবা কয়া য়াওরি। মহাক্না লময়ানবা চেফোঙ ফোঙলিঙৈদা শেঞ্জা থুমজাগী য়াওনা পোলিটিক্সনচিংবা হীরম কয়াদা থেঙ্গ্রা হায়বা মিং শীজিন্নদুনা কলম কয়া ইদুনা অরানবা কয়া উৎথোকখি। মহাক্না এক্সপোজ তৌদুনা ইখিবা অদুদা চেন্নবশিং অদুনা মঙোন্দা শেল-থুম পীশিন্দুনা থেম্নবা হোৎনখি অদুবু মহাক্কী মফমদা অদুগুম্বা ময়াম অদুনা করিমত্তা শোকহনবা ঙমখিদে। মহাক্কী ইন্টিগ্রিটি কায়হন্দনা থমখি। মসিমক মহাক্কী লীচৎতা য়াম্না লেমজনীংঙাই অমদি তমজনীংঙাই ওইবা অমনি। মরম অসিমক্সু লময়ানবা চেফোঙনা ইনভেষ্টিগেটিভ জর্নেলিজমগী অহৌবা অমা ওইদুনা মতম কুইনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগদবা অমা ওইরিবনি হায়খি।

থৌরম অসিবু শিনখিবা ত্রষ্টকী জেনরেল সেক্রেটরি এল জাদুমনিনা ফোঙদোকখিবদা লময়ানবা চেফোঙগী এদিটর ওইরম্বা এন কে সনাজাওবনা মতম অদুদা পামজরম্বা অওনবা মণিপুর অমা অমদি মদুগী ওন্ন-তৈনবদা লৈবা পোলিসিশিং অমদি মীওইশিং অদুদা খুদোম্বীনা থিন্দুনা অচুম্বা তাকখি। লোয়ননা মীয়ামগা শম্নদবা লৈঙাক অদুগী অশোয়বশিং থিন্দুনা তাকখিবা লময়ানবা অমদি জর্নেলিষ্ট অমনি হায়দুনা শীংথাখি।

ঙসিগী মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিদা লৈঙাক অমদি মীয়ামগা শম্নদবা ফীভমদা লৈরিবা, লৈঙাক মপুশিংনা মশানা মশাবু লৈঙাক মপুনি হায়বা কাউজরিবা অসিদা এন কে সনাজাওবগুম্বা মীওই অমবু নীংশিংদুনা মহাক্না তৌরম্বা অমদি চৎলম্বশিং অদুগী মতুং ইন্দুনা চৎপা মথৌ তাই খন্দুনা ঙসি মহাকপু নীংশিংবু থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অসিদা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়ারদুনা লৈখিদ্রবগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

## কমলবাবু : কছারদা পাঙথোকপা ...

*লমায় ১গী মখা...*অসি নুংথিল পুং ৪.৩০ তারকপা ফাওবা চথুন্না শরুক য়াখিবশিংনা কমলবাবুগী থৌদোকতা মতাংদা কুপ্পা খঙখি। অদুগা মীফম অসিনা কুপ্পা খরববা মতুংদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা সর্মনসু কমলবাবুগী তেঙ-কায়দনা ফংহনবগীদমক লৌখৎখিবা থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু অমসুং অরাবা মায়োল্লবা মহাক্কী ইমুংদা অহুম্না মতেং পাংবীনবা তকশিনবা হায়না ৱারেপ লৌখি। মীফম অসিদা শরুক য়াখিবী এল কমলবাবুগী লোয়নবী বেলারানিনা মহাক্কী মপুরোইগী লংলা-লংজিন ফংনবা হোৎনবদা কছার দিষ্ট্রিক্ট খক্তা নত্তনা অসামদা লৈরিবা সী এস ও পুম্নমক্না মতেং পাংবীয়ু হায়না আপীল তৌখি অদুগা মহাক্কী মপুরোইববু মঙোন্দা হিংনা শিন্নবীয়ু হায়খি।

ঙসিগী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপশিং অসি য়াওবা অইবা চেরোল অমা কোকোকোমদা য়াওরিবা লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা অথুবা মতমদা অসামগী চীফ মিনিষ্টরদা পীশিল্লগনি হায়রি। মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা কছারগী সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অমগী 'কছার দাইরি' কৌবা গ্রুপ অমগী মায়কৈদগী লাইশ্রম ওংবী বেলারানিদা লূপা লিশিং ১০গী শেনফম মতেং ওইনা খৃৎশিন্নখি।

পনবা য়াবদি, ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সী অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা কমলবাবুবু তেঙ-কায়দনা পুথোকহনবীয়ু হায়না মহাক্কী মনাওনুপানা পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিশন (ক্রিমিনেল) অমা ফাইল তৌরকখ্রবনি। পিটিশন অসিগী মতুংইন্না কোর্টনা ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমখিবগা লোয়নননা মসিগী মখা তাবা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা অমসুং থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকী ইনভেষ্টিগেশন ওফিসরনা মখা তানা কমলবাবুগী খোঙ্গুল লীনবা পাউতাক পীদুনা লৈরিবনি।

## থৌবাল : মীওই অমা পূন্সি চুপ্পগী ফাদোক...

*লমায় ১গী মখা...* থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস এফ আই আর নম্বর ১০ (১২) ২০১৫ লৌখৎখিবনি। কেস অসি আই পি সীগী সেক্সন ৩০২, ৩২৪ অমসুং ৩২৬কী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

পুলিসনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেশন চথুদুনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা নোংপোক সেকমাই পি এসনা কোল্লিবা য়াইরিপোক্কী ককময়ায়দগী শামুরাইলাৎপম শ্যামকেশো (৩৪) অপোকপা এস ঐচ নন্দো ফাগৎখিবগা লোয়ননা মহাক্না শীজিন্নখিবা থাঙসু রিকোভর তৌখিবনি। অদুগা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেশন চথুরবা মতুংদা কোর্টতা থাগৎলকপা চার্জশীটতা য়ূম্ফম ওইদুনা ৱায়েল চথুরকখিবনি।

কোর্টনা কেস অসিগী ৱায়েল চথুরকপদা প্রোজিক্যুশনগী মায়কৈদা এদিশনেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর এল দিজেন্দ্রোনা লেপ্পগা কনভিক্সন ফংলবা শ্যামকেশোগী মায়কৈদগী থৌবালগী এল এ দি সীগী চীফ এম পাইখোম্বনা লেপখি। কেস অসিগী অরোইবা হিয়ারিংশিং চৎলিবা চহীসিগী ওগষ্ট ৩১ অমসুং সেপ্টেম্বর ২৫দা পাঙথোক্লবা মতুংদা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর থা অসিগী ১৬তা লাউথোক্লদুনা কোর্টনা মীওই অনী থাঙনা থিনবদা অমা লৈখিদবা অদুগা অমবুনা শোকহনখিবা শ্যামকেশোবু আই পি সী সেক্সন ৩০২ (মর্দর) গী মখাদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। অদুগা মহাক্কী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবা সেন্টেন্স হিয়ারিংনা ঙসি কোর্ট অসিদা পাঙথোকখি।

সেন্টেন্স হিয়ারিংদা শরুক য়াখিবা এদিশনেল পি পি, এল দিজেন্দ্রোনা কনভিক্ট অসিনা চথখিবা ক্রাইমগী মতুংইন্না পীফম থোকপা লোগী চৈরাক পীননবা সবমিসন তৌখি অদুবু কনভিক্ট অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা থৌবালগী এল এ দি সীগী চীফনদি মহাক মমাঙদা অসিগুম্বা ওফেন্স অমত্তদা চেন্নবা লৈখিদ্রি। মহাক্না তৌরুরিবা থবক অদুগীদমক নীঙল্লক্তবা অমসুং নুংঙাইতবা ফাওরে হায়রদুনা মঙোন্দা অহকপা চৈরাক পীবিদনবা প্রেয়র তৌখি। অদুমওইনমক কোর্টনা নাকল অনীমক্কী সবমিশনশিং তারবা মতুংদা এস ঐচ শ্যামকেশোবু আই পি সী সেক্সন ৩০২গী মখাদা পূন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীবগা লোয়ননা লুপা লিশীং ১০গী শেনফমসু ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখি। ফাইনগী শেনফম অসি মহাক্না কোর্টতা দিপোজিৎ তৌরক্লগা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী ইমুংগী মীওইশিংদা পীগদবনি হায়রি।

ফাইনগী শেনফম অসি ঙসি ওর্দর পীরিবা নুমিৎ অসিদগী থারগা থা তরুক্কী মনুংদা পীগদবনি হায়খি। অদুগা মহাক্না জেলদা চহী ৯ হেন্না লৈরকখিবশিং অদুদি ফাদোক্কী মতমদগী ককথগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, মহাক্কী খূৎতা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং মুতুম অমুমচা (৩২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম মোধু কৌই, ককময়ায় মনীং লৈকায়দগীনি অদুগা মহাক্না থাঙনা থিনবদগী শোকখিবা মীওই অদুগী মমিংনা সাইরোম পোইরৈতোন (৩৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস বারি কৌই, মহাক্না ককময়ায় ময়ায় লৈকায়দগীনি হায়রি।

## ককচীং : লম্বী ...

*লমায় ১গী মখা...*নোং চুদবা মতমদনা উফুলনা মীৎ ফাওবা পাঙবা ঙমদবা অমদি হকচাংদা অনাবা কয়া পোকহল্লক্লবগী মরম ওইরকপদগী মরী লৈনবশিংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন শেম্বীনবা হায়জরবা ফাওবদা ঙসি ফাওবদা শেম্বা লোইশিনবিদ্রিবা অসি ককচীংগী মীয়াম্বু উশিত্তবনি হায়দবা ঙল্লোই। মরম অসিনা হায়রিবা এন ঐচ-১৩৭ এগী ককচীং লমখাইদগী হৌরগা ককচীং টাউনগী মরক্তা লৈরিবা লম্বী শরুক অসি জন্যুৱারী ১৫, ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা শেম্বা লোইশিন্দ্রবদি মথংগী নুমিৎ জন্যুৱারী ১৬তগী লম্বী অসি মতম কক্তনা থিংজিল্লগনি। মরম অসিনা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা শেম্বা লোইশিনবীয়ু হায়রি।

## বাই-বাই-ন্যু য়রদা অথিংবা থম্বা মফম য়ামখৎলক্লি...

*লমায় ১গী মখা...* ঙরাং থোরকপা চেরোল অমদা লূপ অসিনা কোল্লিবা ক্ষেত্রিগাওগী মফম পূন্নমক্তা হায়রিবা থবকশিং অসি চথুরকপা য়ারোই হায়দুনা অথিংবা থম্লকখ্রবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনসু মখা তানা নুমিৎ অনীসিদা অথিংবা থম্নরক্লি।

লম্ফেলগী ত্রাফিক আইলেন্দ মনাক্তা ওফিস লৈরিবা কংলৈপাক লমচিং অপূনবা মৈরা লূপ (কংলামৈ) গী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাহেংবম ওংবী সামা লৈমনা থোরকপা চেরোল অমদা হয়েংগী বাই-বাই অমসুং মথংগী নুমিৎকী ন্যু য়রগী মিংদা মীয়াম পূন্দুনা চাক চান্নবা, পিকনিক চৎপা, হরাও কুম্মৈ পাঙথোকপা খুদিংমক তৌবীগনু। করিগুম্বা তৌরম্লবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্ত খুদিংমক মশা-মশানা তেকচাক পুজ গদবনি অদুগা কংলামৈনা পীবা চৈরাক মশা-মশানা য়াজগদবনি হায়রি।

কৈরক ৱাবগাই য়ুথ পিছ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ প্রেমচান্দ মৈতৈগী চেরোল অমনসু লাক্কদৌরিবা অনৌবা চহী ২০২৫বু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা, চাকহোঙ-ঙাহোঙবা, ঈংনা-চিক্লা পানবা লৈবাক অমা ওইমিন্নরসি হায়না থৌনিজবগা লোয়ননা হয়েং দিসেম্বর ৩১গী বাই-বাই অমদি মথংগী নুমিৎকী ন্যু য়রগী মিংদা কৈরক-ৱাবগাইনা কোনবা মফমদা কা হেন্না চাকচা-হৈজানদুনা লাঙবা অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা য়ারোই হায়রক্লি।

ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নদুনা কা হেন্না ঙাওশিন্নবা অমদি তুংগী য়ূম্বী ওইগদবা অঙাং কয়াবু কুম্মৈগী ঈথক-ঈরাংদা তাওদুনা হৌজিক লৈরিবা তংদু লৈতাদ্রবা ফীভমশিং অসিবু কাউথোকপা অসি লাইবক থীবনি। হৌখিবা থা অসিগী ২৪দগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লেপ্তুনা বোম য়াওনা লান্দারক্তুনা মফম খরদা মীওই ৪ শোকহন্দুনা ইমা ইবেল কয়া কোইচেন চেন্নদুনা তংদু লৈতাদনা লৈরিবা তাঞ্জাসিদা ঐখোয়না কা হেন্না ঙাওশিন্নবা মানবা, লৈবাক্কী করিসু খন্দবা মওংদা থবক তৌবা য়ারোই অমসুং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫দগী হেন্না চাকচা হৈজানবগী মিংদা কৈরক-ৱাবগাইনা কোনবা লক্ষ্মাংদা, চীংয়া তময়াদা লৈথোক্তুনা মীয়ামদা অপনবা পীবা য়ারোই। হায়রিবশিং অসিগী ৱাংমদা কনাগুম্বা-কনাগুম্বীনা থবক তৌরক্লবদি মশা-মশানা তেকচাক পুজগদবনি। হায়রিবা থবক থৌরমশিং অসিদা খুল্লোন্নবদা লৈরিবা মৈরা পায়বী ইমা ইবেল অমদি ক্লবশিংগী ইচিল ইনাওশিংনসু মতেং পীবিয়ু হায়রি।

নোংপোক শঞ্জেনবম অপূনবা মৈরা লূপকী সেক্রেটরি অমসুং প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ওংবী সোবিতা লৈমা, ঙাইরাংবম ওংবী মেম্মা লৈমগী চেরোল অমদা হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম্না থেংনরিবা লান অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী সনাশাবী, য়াইঙংপোকপী খুলশিংগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা কুকিশিংনা অকনবা মওংদা চথরল্লিবা লান্দা অসিনা মায়কৈ অসোমগী মীয়ামদা থেংনরিবা অৱা অনাশিং অমদি থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা খুলশিং ঙাকপীরিবা ইবুং ইপ্পাশিংগী অৱা অনাদা শরুক য়াবা অমসুং শৌগৎপা উৎপা ওইনা হয়েং বাই-বাই অমদি ন্যু য়র য়াওনা লান অসি ঈংথদ্রিবা ফাওবা নোংপোক সঞ্জেনবম খুলগী মীয়াম্না হান্না চাকচা হৈজানরম্বা মফমশিং- সনামহি কিয়োংগী এরিয়া, কঙ্গাসি পাৎ এরিয়া, থুম্বী উচাল মরক্লচিংবা খুল অসিগী লৈকায় ৪গী মৈরা পায়বীনা কোনবা মফমশিংদা চাকচা হৈজানবা, কোয়বা-লাংবগী থবক থৌরমশিং পুমথিং থিংলে। অথিংবা অসিগী মায়োক্তা করিগুম্বা লমহেন তুহেনবশিংনা থবক চথুবা থেংনরবদি নোংপোক সঞ্জেনবম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা পীরকপা চৈরাক ইশানা য়ানা লৌজগদবনি হায়রি।

## বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, মণিপুরগী অনৌবা চ্যেরমেন হাপ্পগী ৱাথোক

*লমায় ১গী মখা...* চ্যেরমেন ইন-চার্জ ওইখি হায়রিবা চহী ২০১৮দা পাঙথোকখিবা ঐচ এস এল সী এগজামদা মার্ক টেম্পরিং তৌখি হায়বগী ৱাথোক্তা মরীলৈননা জুলাই ১৫, ২০১৮দা লৈঙাক্না শেমখিবা ওফিসল অহুম্না শাবা ইনক্বারি কম্মিটি অমনা থিগৎতুনা ৱাথোক অসিগী রিপোর্ট পীখৎলকপগা লোয়ননা চহী অদুমক্কী দিসেম্বর ২৭তা লৈঙাক্ন া থোকপা ওর্দর অমনা এ জয়কুমারবু মহাক্কী পেরেন্ট দিপার্টমেন্ট হায়বদি হায়র এদ্যুকেশন লোয়শঙদা হলহনখিবা লৈরমখি।

মহাকপু বোর্দকী চ্যেরমেন ইন-চার্জ ওইবদগী মশাগী পেরেন্ট দিপার্টমেন্টতা হলহনবগী ওর্দর অদুগী মতুংইন্না মতম অদুগী সেক্রেটরি নৎত্রগা চ্যেরমেন ইন চার্জ ওইখিবা এ জয়কুমারগী মায়কৈদা কুমজা ২০১৮গী ঐচ এস এল সী এগজাম অসি মপূং ফানা পাঙথোক্তবা অমদি ইভাল্যুএশন তৌবদা অহোবা কয়া লৈবগী ৱাফমশিং রিপোর্ট অদুনা ময়েক শেংনা পল্লকখি হায়রি।

কম্মিটিনা পীখৎলকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না ঐচ এস এল সী এগজামিনেশন-২০১৮গী কোওর্দিনেটর, এগজামিনর অমদি অতৈ ফঙ্কস্নরিশিং হাপ্পদা এদ্যুকেশনল ক্বালিফিকেশন অমসুং এক্সপরিএন্স নীংথিনা ভেরিফিকেশন তৌদবা য়াওনা ইরিগ্যুলরিটি কয়া লৈরে হায়বগী রিপোর্ট থেংনখি। লোয়ননা বোর্দ অসিগী কন্ট্রোল্লর অমদি সেক্রেটরি অনীমক এদমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সপরিএন্স ৱাৎপা অমসুং বোর্দ অসিদা থবক শূমিন্নবা নুংঙাইবগী ইনভাইরনমেন্ট লৈতবা মরু ওইনা কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেশন অমদি সেক্রেটরি অনীগী মরক্তা কোওপরেশন পীনবা ৱাৎলে হায়বগী চিংনবসু কম্মিটিনা পীখৎলকপা রিপোর্ট অদুদা য়াওরমখি। অদুবু ঙল্লিবদি মতমদুদা অহোবা-অরানবা, অশোয়বা খরা লৈরে হায়দুনা মশাগী পেরেন্ট দিপার্টমেন্টতা হলহনখিবা এ জয়কুমারবু অমুক হন্না বোর্দ অসিগী চ্যেরমেন ইন-চার্জ ওইনা মার্চ ২০, ২০২১দা য়ুটিলাইজ তৌরকখি। চহী অদুমক্কী নবেম্বর ১১দা মতমদুগী জোইন্ট সেক্রেটরি (এদ্যুকেশন-এস) না খূৎয়েক পীদুনা থোকপা ওর্দর অমনা মহাকপু বোসেমগী চ্যেরমেন ওইনা চহী ৩গীদমক হাপ্লকখিবনি। অদুগা হায়রিবা চহী ৩গী মতম অসি চৎলিবা চহী ২০২৪গী নবেম্বর ১০দা শুরবা মতুং চ্যেরমেনগী ফম হাঙদুনা লৈরকপনি হায়রি।

অদুবু মহাকপু অমুক হন্না চ্যেরমেন ওইনা হাপচিল্লকপদগী বোর্দ অসিগী এমপ্লোয়ীশিংনা পেন দাউন ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি হায়রি।

বোসেমগী চ্যেরমেন হাপ্পগী মতাংদা চয়েংনবা কয়া লৈরকপদগী থা অসিগী ২৪দা দি আই পি আরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এদ্যুকেশন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমারনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্নদি বোসেমগী চ্যেরমেনগী ফমগীদকমক কেন্দিদেট ৫না এপ্লাই তৌরকপদা এ জয়কুমারনা খ্বাইদগী হেন্না মতিক চারে হায়দুনা লৈঙাক্না মহাকপু হাপখিবনি অমদি চ্যেরমেনগী ফম অসি চহী ৬০ শুরবদি ওইবা য়াদ্রে হায়নরক্লিবসি কেবিনেটে মীফম্না ৱারেপ লৌদুনা লৈঙাক্না থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না চহী ৬৫ ফাওবা শাংদোক্লে হায়খিবনি।

বোসেমগী এমপ্লোয়ীশিংনা চহী ৬০ হেল্লবা মীওই অমবু চ্যেরমেন ওইনা হাপ্লক্লিবা অসি অরানবা খোঙথাংনি হায়না থাঙ্গৎলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা এদ্যুকেশন মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু শেংদোক চেরোল অমসু পীখিবা লৈখ্রে। তৌবতবু দেপ্যুটেসনদা ওইরবদি বোসেমগী চ্যেরমেন ওইবগী চহী ৬৫ ফাওবা য়ারে হায়রিবা নোটিফিকেশন অসি লৈঙাক্না মার্চ ১, ২০২৩দা থোকখিবনি। মসিনা তাকপদি নোটিফিকেশন অসি থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মার্চ ১, ১৯৬২দা দেট ওফ বর্থ ওইবা এ জয়কুমার চহী ৬০ শুখ্রবসু চ্যেরমেনগী ফম অদুমক পুহনখি হায়বসিনি।

মতাং অসিদা মহাক মশানা ওগষ্ট ১, ২০২২দা স্কুল এদ্যুকেশনগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরিদা ইবা চেরোল অমদা মহাক চহী ৬০ খরা হেল্লবসু থবক্তগী পোত্থাবগী মতম হায়বদি গভর্ণমেন্ট কোলেজগী লেকচরর অমদি এসোসিএট প্রোফেসরনচিংবগী ওইনদি চহী ৬৫ ওইরিবসি ফাওবা নৎত্রগা মহাকপু চ্যেরমেন ওইনা হাপ্পা চহী ৩ হায়বদি কুমজা ২০২৪ ফাওবা চ্যেরমেনগী ফম পুহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরকপা লৈখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মতমদুদা বোসেমগী এমপ্লোয়ীশিংগী কাঙলোনগী মতুংইন্নদি চহী ৬০ শুরবদি থবক্তগী পোত্থাগদবনি হায়বসিনি।

অমরোমদা, ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী অনীশুবা সেশনগী মনুং চন্না ওগষ্ট ৩, ২০২২দা পাঙথোকখিবা সিট্টিং অমদা এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টকী দিমান্ট ফোর গ্রান্দস খন্নরকপদা ওপোজিশন এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা থাঙ্গৎলকপা কট মোশন অমদা বোর্দকী চ্যেরমেন হাপ্পদা লৈরিবা অরান অহুই অমদি মার্ক টেম্পরিংনচিংবা তৌই হায়বগী ৱাথোক কয়া থোকখিবগী মতাংদা পুখৎলকপা ৱাফমগী পাউখুমদা এদ্যুকেশন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমারনা বোর্দকী চ্যেরমেন অনৌবা হাপ্পবগী থবক পায়খৎপা হৌরে অমদি টর্ম লোইরবদি মখা তানা চ্যেরমেন ওইহনবগী ৱাফম লৈতে হায়না এসেম্বলিগী ফ্লোরদা ফোঙদোকখিবনি।

চৈরক অসিদা, এ জয়কুমারনা স্কুল এদ্যুকেশনগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরিদা ওগষ্ট ১, ২০২২দা ইবনি হায়বা চেরোল অদুগা ৱাহৈ ৱাতা থোইদোক্না খেন্নদনা মহাক্কী লোয়নবীনা ওগষ্ট ১২দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা মহাক্কী মপুরোইবা বোসেমগী চ্যেরমেন ওইবগী মতম শাংদোকপীনবা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি হায়নসু পাউচে অসিনা ফংবা দোক্যুমেন্টশিংদগী খঙবা ঙমখি।

কুমজা ২০২২গী ওগষ্ট থা অদুমক্কী ৩১দা লৈঙাক্না থোকপা ওর্দর অমদা স্কুল এদ্যুকেশনগী দিরেক্টর ওইরক্লিবা এল নন্দকুমারবু বোসেমগী চ্যেরমেননি হায়না শীজিন্নরকপা য়াওখি। অদুবু অসুম্মাইনা শীজিন্নরকপা ওর্দর অদুমক থংনবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১, ২০২২দা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোরিজেন্দম থোরক্তুনা চ্যেরমেন (বোসেম) হায়বা ৱাহৈ খরসি য়াওরোইদবনি হায়রকপসু লৈখি।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্কী সর্ভিসেস ফেদরেশনননা থা অসিগী ২০দা চীফ সেক্রেটরিদা ইবা চেরোল অমদা দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী সর্ভিস রুলগী মতুংইন্না এ জয়কুমার অসি কুমজা ২০২১দা দেপ্যুটেশনদা বোসেমগী চ্যেরমেন ওইনা হাপ্লকখিবা অমদি মহাক্কী চ্যেরমেন ওইবগী মতম শাংদোকপা লৈতবনা চহী অহুমগী মতম লোইরকপদা দেপ্যুটেশনগী অতোপ্পা টর্ম অমা এপ্লাই তৌদ্রিঙৈদা মহাক্কী পেরেন্ট দিপার্টমেন্টতা হলহন্দুনা য়ামদ্রবদা চহী অহুমদি 'কুল্লিং ওফ পিরিয়দ ওইনা থবক তৌগদবনি। মরম অসিনা মহাকপু হন্দক নৌহৌননা চ্যেরমেন ওইনা হাপচিল্লকপা অসি ইল্লিগেল ওইবা থৌওংনি হায়দুনা লৌগনি। হৌজিক বোসেমগী থবক থৌরমদা এদমিনিষ্টেটিভ/ফাইনান্সিএল/একাদেমিক ইরিগ্যুলরিটি ময়াম থিজিন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্না ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিল্লিবনি। অদুগা চ্যেরমেন অসিগী ওফিসল কন্দক্টসু কম্মিটি অসিনা থিজিল্লি হায়বসি লৈঙাক্না ইনক্বারি কম্মিটি শেম্বদা থোকপা ওর্দরদা ময়েক শেংনা পল্লিবনি। মরম অদুনা মহাকপু অমুক হন্না চ্যেরমেন হাপচিল্লকপা হায়বসি ইল্লিগেল ওইবা থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরমখি।

বোসেমদা চ্যেরমেন হাপ্লকপগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা বোর্দ অসিগী ষ্টাফ অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেশনগী য়েংদুনা এমপ্লোয়ীশিংগী ষ্ট্রাইক মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌবনি অদুবু দিমান্দশিং অসিদি হন্দোকপা লৈত্রি হায়রকখি।

পাউ অসিদগী রিপোর্টশিং অসিগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা বোসেমগী নৌনা হাপ্লক্লিবা চ্যেরমেন উন্নবা হোৎনখি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতম খরা হেল্লকপা ফাওবদসু অমুক হন্না চ্যেরমেনগা উন্নবা হোৎনরুবদসু মশা লৈরমদবদগী উনবা ফংলকখিদে।

**RAMAKRISHNA MISSION SCHOOL**
Uripok Bachaspati Leikai, Imphal West, Manipur-795001
Email: imphal.school@rkmm.org
Website- imphal.rkmm.org
CBSE Affiliation No. 1230056

**ADMISSION NOTICE**
for Class – I *(Boys only)*

Application Forms for Admission in Class-I for the Academic Year **2025-26** will be issued from the school Office on **2 to 7 January 2025** from **9 am to 1 pm.**

Eligibility: 1. UKG passed- as on 31-03-2025
2. **Age:** *6+* **to below 7 years** as on 31-03-2025

Filled in Forms can be submitted on **2 to 7 Jan 2025** from **9 am to 1 pm**

Lottery for admission in Class I will be held on **Sunday, 12 January 2025** at **10 am,**
**Reporting Time: latest by 9:30 am**

HL-P/0247/31,1,3
*Secretary*

**য়াৎহ্নৈংহনবা / পাউজেল**

খা-না চাওবা ৱাংপুরেল ইপুথৌগী য়াৱা পাওতাক তুংইন্না ফাইরেলগী ১৩নি পানবা ১৯৯০ ইংদা লিংজখিবা মৈতৈ পোকপী ইমাগী সনা শঙলেনগী ওইবা শোন্নপুং অমা হৌখিবা চৈচৎ ২৫/১২/২০২৪ ইংগী পোইনুগী ২৫নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎ অসিদগী উরিপোক পোলেম লৈকায়দা শেমগৎ-শাগৎপা হৌজখরে।

কংলৈপুং অসিদা লৈবীরিবা কংলৈ ইমাগী অচানবা মপারী-মমোম ওইবা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা ঙমজ-ঙমজবা তরেৎকী শেঞ্জা খরদা হাপ্পীরনবা হন্না-হন্না নোল্লুক া পাউজেঞ্জরি।


পাউজেঞ্জরিবা শিন্থারোই
পাওনম শ্যামকুঞ্জা মীতৈ, উরিপোক পোলেম লৈকায়, লেন নম্বর-৩
৮১৩২৮৭৭৯৯৫, ইম্ফাল মণিপুর।
HL-P/0241/31,1

**Thabak Koujari**

Acha athakki items khara sem sabagi Nupa khara athubagi oina pamjei. Kanagumbana thabak ashibu pambiba yaorabadi makhagi contact number asida pao phaobirak u.

**Contact No. 8787350600, 8787777967 7005128312**
HL-P/0177/25,27,29,31 & 3

**শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নমঃ**



পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমক্কী ইরক্তা তিনবীরম্বী **কুমারি এলিনা খুন্দোংবম**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরূপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২০/১২/২০২৪ ইং, পোইনুগী ২০নি পানবা ইরাই নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা রাধিকা চৈত্যনা দাসিনি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২৫/১২/২০২৪ ইং পোইনুগী ২৫নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা অষ্টি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ০২/০১/২০২৫ ইং, ৱাকচীংগী ৩নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবীগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা সেবা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, ইমা-ইবেন অমদি মরূপ-মপাংশিংনা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরি নাম শ্রবন তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

থৌরম পরেং :
অয়ূক পুং ৮.৩০ - ভেক কৎপা, অয়ূক পুং ৯.০০ - সঙ্কীর্ত্তন হৌবা
অয়ূক পুং ১১.০০ - থৌরম লোইবা

পাউজেঞ্জরিবশিং :
১) কুমারী খুন্দোংবম বসন্তী দেবী (মনে) ১) এলেক্স খুন্দোংবম (মবুং)
২) শ্রীমতি খুন্দোংবম শুসিলা দেবী (মমা)
৩) কুমারী এঞ্জিলিনা খুন্দোংবম (মনাওনুপী)
নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈরক, দি সী রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট। # 7005319962
HL-P/0214/29,30

ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012
GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
Paona Bazar, Behind Pologround, Gourahari Market, Near Hotel Krishtina
Many students were certified and eligible for applying Job.
Online or Offline Class Available
SPECIAL CLASS FOR ONE OR TWO PERSONS ONLY
SPOKEN ENGLISH
Classes for groups & special class for only one person
For Senior, College and University Students
Grammer, Pronunciation, Vocabulary,
Group Discussion, Public Speaking.
INSTRUCTOR:
Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Miss. Alice Thokchom (M.A. English)
COMPUTER COURSE
BCC, CCA, DCA, DTP,CCP,
Tally with GST, Data Entry,
Multimedia, Office Automation,
Business Package Etc.
Please Contact:
+91 8132904426
HL-B/9034/7-31/1nov-4dec(alt.)